

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*১২শুবা আই–লীগকী ঙরাং শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী হেটট্রিক পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়ান এরোজবু ৪–১ দা মায়থিবা পীবদা চাওনা মতেং পাঙখিবা স্পেনিস ষ্ট্রাইকর পেদ্রো মানজি*

*দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী রেদ গ্রুপকী রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা জপানগী নাওমী ওসাকা মশা শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই কিকি বর্টেন্স*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## এটলেটিকো দি কোলকতানা চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে



*চেন্নাইন এফসিগী কার্লোস সালোম (য়েৎতগী ২শুবা) না টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবগী বোল কাউশিনখিবা*

*কোলকতা, ওক্টোবর ২৬ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি কোলকতাদা লৈবা ভিভেকানন্দ য়ুবা ভারতি ক্রিয়াংগনদা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুম্থু টিম ওইখিবা এটলেটিকো দি কোলকতা (এটিকে) না চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংনা য়ুম্থু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা এটিকেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কালু উচেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা জোন জোনসননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা চেন্নাইন এফসিবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কার্লোস সালোমনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমদুনা ১–২ দা শোৎখদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবদগী এটিকেনা চেন্নাইনবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোৎখদুনা লৈরিবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটিকেগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকখি। চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা বোল অয়াম্বা এটিকেগী শান্নরোইশিংনা থিংদুনা থমখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নদনবদগী মেটচ অদু এটিকেনা চেন্নাইনবু ২–১ দা থোইখি।

## ইন্দিয়ান ফুটবোল আই–লীগ

### এল. কালা, উরিপোক

ফুটবোল মশান্নদা হেন্না হৈথোই–শিংথোইরবা শান্নরোইশিংনা শেন্দান লম্বী অমা শান্নবদসু ওইবা ইন্দিয়াগীসু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন নাখে শেংনা ফুটবোল মশান্নবু য়োকখৎনবদা মমা মপা অমগুম্না থৌদাং লৌবা লন্নাই কম্পেনি / কো–ওপরেসনশিংদা মতম মতমগী স্পোন্সর টাইটল মিং থোন্দুনা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা ২০০৭ তা আই লীগ হায়না খঙনবা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাওবা প্রোফেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা হৌখি। অহানবা পাঙথোকপা চহী অসি ও.এন.জি.সি আই–লীগ হায়না খঙনরগা পাঙথোকপা হৌখি। অদুবু লাইবক থিবা হাইগদ্রা হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি ও.এন.জি.সিনা ২০১০–১১ সিজন্দগী স্পোন্সর তৌবা লেপখিবদগী ২০১৩ ফাওবা মখা তানা পাঙথোকপদা চমম্নবা ফিভম অমদা লৈরম্বদগী সেপ্টেম্বর ২৪ (কুন্নমরি) ২০১৩ দা মমিং লৈরবা টেল্লিকম্যুনিকেসন কম্পেনি অমা ওইরিবা এয়রটেলনা স্পোন্সর তৌদুনা অমুক নৌহৌনা এয়রটেল আই–লীগ হায়না খঙনরগা পাঙথোক্লম্বদগী দিসেম্বর ২০১৪ দা হেরো মোটোর কো–ওপরেসন্না এয়রটেলগী মহুৎ শীন্দুনা হেরো আই–লীগ হায়না খঙনদুনা লাক্লি অদুবু হন্দক অমুক ওগষ্ট ২০১৮ অসিদা অমুক চান্ন–থক্লবা শাবগী মমিং চৎলিবা অচৌবা কম্পেনি নেষ্টলিনা ২০১৮–১৯ সিজন অসিদা নেষ্টলি আই–লীগ হায়না খঙনগদৌরি। হায়রিবা আই–লীগ অসিদা মমিং লৈরবা ক্লব দেম্পো গৱানা অহুম্নক, চর্চিল ব্রদরস অমদি বেঙ্গালুরুনা অনী অনীরক অদুগা সালগোকার, মোহন বগান, আইজোল অমসুং মিনরভানা অমমম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী তশেংবা ৱাখল্লোনদি শোৎথদুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান ফুটবোলগী ষ্টেন্দর্দ অসি খরদংদা ওইরবসু হেনগৎপা ঙম্নবা পান্দমদা ফোরেন প্লেয়র মশিং য়ামদনা অকক্লবা মশীংদা য়াওহল্লগা ইন্দিয়ান ওরিজিন ওইবা প্লেয়রশিং অসিগা য়ানশিন্নদুনা আইদিয়া সেয়র তৌদুনা শান্নহল্লগা ইন্দিয়ান প্লেয়রশিংসি এক্সপরিয়েন্স অমসুং ষ্টাইল খরদি হোংলক্কুনা ফজরবা মশান্না উবগী মহাও অমা ভাবকশিংদসু উহন্দুনা নুংঙাইহনবগা লোয়ননা মসিদা য়াওরিবা ক্লবশিং অসিদা তৌদ্রয়াদ্রবা লৈতবা য়াদ্রবা অমা ওইনা ক্লবশিং অসিগী মপু (ওনর) থম্বা লোয়ননা পীক্লিবা অঙাংশিংদগী হৌনা চহী তাঙক্কী ওইবা কোনশিনবা ইন্সটিট্যুট ফুটবোল একাদেমী থমদবা লিংদবা য়াদে, মশান্নসি গ্রাস রুট লেভেলদগী হৌরগা চহী ১৫–২০ গী মনুংসিদা ইন্দিয়ান ফুটবোল ষ্টেন্দর্দ শোয়দনা হেনগৎলক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা য়েংবা মীৎয়েং থবক ওইনা পাঙথোকপনি। অদুগা ফুটবোল মশান্না পৈশা তানবা ঙম্বা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইহন্নবগী লম্বীরোমদসু মাইয়োন থমদুনা নহাশিংবু ফুটবোল শান্নহন্নিংনবগী ইথিল পীদুনা তিনজং কাইজংদবা সমাজ অমা ওইবদা মতেং মচা অমা ওইনা খরদংদা ওইরবসু কান্নবা ফংগনি হায়বসিনি। মপুং ওইনা পেরামিট অমা ওইনা লৈরগা ফুটবোল মশান্নগীদমক, ফুটবোল ষ্টেন্দর্দ হেনগৎনবগীদমক কোনশিনবা য়াবা কোনশিন্দুনা এআইএফএফনা হোৎনবনি। হায়রিবা আই–লীগ অসিগী মচৎ অমা ওইনা ফাষ্ট দিভিজন অমসুং সেকেন্দ দিভিজন হায়বা থাক অনী থমদুনা রিলিগেশন অমসুং প্রমোসন লৈবা অমা ওইনা ২০১৮–১৯ সিজন অসিদা ক্লব ১১ না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ এৱে ওইনা ক্লব অমমমদা মেটচ কুন / কুন শান্নগদৌরিবনি হন্দক্কী ফাষ্ট দিভিজন আই–লীগ অসিদা। অদুগা হান্নদগী চৎনরকপা অমা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা টিম্না এএফসি চেম্পিয়ন্সিপ য়াওবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবনি। হৌদোকখ্রবা চহী খরগী মতুং অসিদা হেন্না হেন্না ফগৎলকপা অমা ওইনা টিম অমদা ফোরেন প্লেয়র মরি / মরি য়াওবা য়াহনবগী অয়াবা পীরবসিদা অমুক মরিসিগী মনুংদা অমদি এসিয়াগী ওইবা প্লেয়র অমা ওইগদবনি হায়না এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগীসু ওইনা কান্নবা পান্দম অমা হন্দক্তগী উবা ফংগদৌরি। হৌজিক্তি আই–লীগ অসি হৌরকপদগী ইন্দিয়াদা অচৌবা ফুটবোলগী ইহৌ অমা লাক্কুনা হায়রিবা লীগ অসিদগী থাক ৱাংখৎপা ওইবা অমা ২০১৮ দগী ফোরেন প্লেয়র তরেৎ য়াওনা শান্নবা য়াবা ক্লব ১০ না শরুক য়াবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা আইএমজি রিলাইন্স, ষ্টার স্পোর্টস অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অহুম্না খুৎশম্নদুনা হৌজিক হৌজিক চৎথরি। হৌজিক্তি আই–লীগ অমসুং আইএসএল অনীগী খেৎনবা ষ্টেন্দর্দ উবা ফংলগনি, য়েংমিন্নসি।

## পেদ্রো মানজিগী হেটট্রিকনা চেন্নাই সিটিনা ইন্দিয়ান এরোজবু পাঞ্জল ৪–১ দা থোইখ্রে

*কোম্বেটোর, ওক্টোবর ২৬ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই–লীগকী সিজন অসি হৌদোকপগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পেদ্রো মানজিগী হেটট্রিকনা চেন্নাই সিটিনা ইন্দিয়ান এরোজবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

তামিল নাদুগী সিটি কোম্বেটোরদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা মফম অসিগী ক্লব চেন্নাই সিটি অমসুং ইন্দিয়ান এরোজনা শান্নখিবা মেটচ অদু অৱে টিম ওইখিবা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রাহুল কেপিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মখা তানা শান্নরকপদা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ৩১শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা পেদ্রো মানজিনা মহাক্কী হেটট্রিকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা চেন্নাই সিটিনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। ৪৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই পেদ্রো মানজিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী মমাঙদা পাঞ্জল অনী চনখ্রবা পেদ্রো মানজিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সান্দ্রোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাকখি। হয়েং খুমন লম্পাক্তা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসি অমসুং ইষ্ট বেঙ্গল ক্লব শান্নরগনি।

## ইন্দিয়া নেপালগী মখূত্তা ০–২ দা মায়থিখ্রে

*বেঙ্কোক, ওক্টোবর ২৬ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্থু ওইরগা শান্নরিবা এএফসি য়ু–১৯ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ক্বালিফায়রগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়া নেপালগী মখূত্তা পাঞ্জল ০–২ দা মায়থিখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল ওইরমগদবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি। অহানবা হাল্ফ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপদা নেপালগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রেখানা ওফ সাইটতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদগী নাম্থোক্লগা পুরকপা বোল অমদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ২ ৱাংলিঙৈদা নেপালগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রেখানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি। ইন্দিয়ানা মথংগী রাউন্দ চঙননবগীদমক অরোইবা মেটচতা থাইলেন্দবু থোইবগী মথৌ তারি।

## পি ভি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, প্রনিথ লৈহৌরে

*পেরিস, ওক্টোবর ২৬ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা য়ুএস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী নুপী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই বি সাই প্রনিথ অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা জপানগী সায়াকা সাটোবু ষ্ট্রেট গেমদা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী হি বিংজিয়াওগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা গেম অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা জপানগী সাটোবু ২১–১৭ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা অনীশুবা গেমদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা উৎতুনা শান্নখিবদগী জপানগী সায়াকা সাটোবু ২১–১৬ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সট্টলর বি সাই প্রনিথপু এসিয়ান গেমসকী চেম্পিয়ন ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৬, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেট্টিগা শান্নরগনি।

মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী লিয়ু চেং অমসুং ঝাংনানবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–১৪, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র এন রানকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেট্টিনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনাগী পেয়র হি জিন্টিং অমসুং টান কিয়াংবু ২১–১৩, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র মেঘানা জাক্কম্পুদি অমসুং পুরভিসা এস রামবু ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমসুং এপ্রিয়ানি রাহায়ুগী মখূত্তা ১৫–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

## য়ুরোপা লীগকী মেটচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসি অমসুং আর্সনেল মায় পাকখ্রে

## স্পেনগী ক্লব ভিলারিয়েলনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেপিদ ৱিয়েনবু ৫–০ দা থোইখ্রে



*লন্দন, ওক্টোবর ২৬ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুইএফএ য়ুরোপা লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ মেটচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসি অমসুং আর্সনেল মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা স্পেনগী ক্লব ভিলারিয়েলনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেপিদ ৱিয়েনবু পাঞ্জল ৫–০ দা থোইখ্রে।

য়ুরোপা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এল’ গী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা বেলারসকী ক্লব বাটে বোরিসোভপু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইবা ঙমখি।

আর্সনেলগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জল অহুমক টিম অসিগী শান্নরোই রুবেন লোফটস চিকনা চনবা ঙমখি। মহাক্না অহানবা পাঞ্জল মেটচকী অনীশুবা মিনটতা চনখ্রবা মতুং অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা চল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা রুবেননা মহাক্কী অমদি টিম অসিগীসু অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি। শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা বেলারসকী ক্লব বাটে বোরিসোভকী শান্নরোই এলেক্সি রিওসনা পাঞ্জল অমা হন্দাকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু মখোয় পাঞ্জল ১–৩ দা মায়থিখি।

য়ুরোপা লীগ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ ‘ই’গী লীগ মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সিপিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দেন্নি ৱেলবেকনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘জি’ গী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব ভিলারিয়েলনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেপিদ ৱিয়েনবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা মান্নরল্লবসু ময়ায় চনশিল্লকপদা ভিলারিয়েলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথরকখি। ২৬শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই পাব্লো ফোরনেলসনা অহানবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেট কার্লটোকো ইকাম্বীনা ৩০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা রেপিদ ৱিয়েনগী শান্নরোই মাটিও বারাকনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা ভিলারিয়েলনা মখোয়বু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই দানিয়েল রাবানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং ৮৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই জেরার্দ মোরেনোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৫–০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ ‘এফ’ গী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব রিয়েল বেটিসনা ইটালিগী ক্লব মিলানবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইবা ঙমখি।

রিয়েল বেটিসকী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা এন্টোইন সানাব্রিয়ানা অহানবা অদুগা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা জিওভানি লো কেলসোনা অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। মিলানগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই পেত্রিক কুট্রোননা চনবা ঙমখিবনি।

## ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর পুজা ধান্দানা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে



*বুদাপেষ্ট, ওক্টোবর ২৬ঃ*

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চথরিবা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর পুজা ধান্দানা কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল অমা লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৫৭ কী ব্রোঞ্জ মেডল বাওট অদুদা ইন্দিয়াগী পুজা ধান্দানা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন নোরৱেগী গ্রেস জেকোব বুল্লেনবু পোইন্ট ১০–৭ তা মায়থিবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই ঙসি ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর পুজানা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৬৭ কী গ্রেকো রোমান কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর মনিসনা লাটভিয়াগী এলেকসান্দরবু পোইন্ট ৩–১ দা থোইদুনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দ লাম্থোকপা ঙমখি।

## রেদ গ্রুপকী মেটচশিং মায় পাক্তুনা স্লোনে ষ্টেফেন্স অমসুং কিকি বর্টেন্স সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*সিঙ্গাপোর সিটি, ওক্টোবর ২৬ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা রেদ গ্রুপকী মেটচশিং মায় পাক্তুনা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্স অমসুং নেদরলেন্দগী কিকি বর্টেন্স সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা রেদ গ্রুপকী রাউন্দ রেবিন মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা নম্বর ৱান সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা রেদ গ্রুপকী সিঙ্গলস রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নাওমী ওসাকাবু অহানবা সেট ৬–৩ দা থোইদুনা মাঙজিল থারবা মতুং জপানগী ওসাকা শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্স মেটচ অদু মায় পাকখিবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা শান্নরগনি।

দবলস ইলিমিনেসনগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং চাইনাগী ঝু য়িফানবু ৬–০, ৬–২ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা দবলস ইলিমিনেসনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দেমী স্কুরসপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।